**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা এন.আর.সিগী বেজ ইয়ার ইং কুমজা ১৯৫১ দা ওইরগনি হায়না মণিপুর বিধান সভানা ঙসি ৱারেপ লৌখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়খ্রে- ইম্ফাল রিং রোড শেম্বগী লম লৌশিনবদা লুপা কোতি ১০৫ রোমগী ক্ষেতিপুরন পীখ্রে।

৩) গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- মণিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা মরৈবাক মরমদম কন্নবগীদমক থোরকখিবশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সরকারগী চপ চাবা ফিরেপ লৈ।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা গমপুম ভিলেজদা লৈবা কুকি লিবরেসন আর্মিগী কেম্প অমদগী কে.এল.এগী কাদর ৮ ফারে। ওতোমেতিক খুৎলায় ৭ ফাগৎখ্রে।

অমসুং

৫) লৈবাক অসিগী কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ৩০০ লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবদা নিংথিনা ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ফোংদোকখ্রে।

------

ক্সেসন(এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- মণিপুরদা এন.আর.সিগী বেজ ইয়ার অসি ১৯৫১

ওইগনি অমসুং রাজ্য বিধান সভানা লৌখিবা ৱারেপশিংগা চুননা রাজ্য সরকারনা ৱাফম অসি কেন্দ্রদা তকশিনগনি। কংগ্রেসকী কে. মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- ১৯৫১ গী এন.আর.সি রেকোর্দ থিরি। মহাকা হায়- কেন্দ্রগী অয়াবা য়াওদনা রাজ্য সরকার খক্তনা এন.আর.সি চৎনহনবা ঙমদে।

কংগ্রেসকী থোকচোম লোকেশ্বরনা হংলকপা ৱাহং অমসুং মখা তাবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- রাজ্য অসিদা আইন কাইনা নারোনদা চংশিল্লকপা মী মশিং লিশিং ২৪,৪৭৫ মশক খঙদোকপা ঙল্লে। মসিগী মনুংদা, লিশিং ১৪,৯২২ মশা মশাগী মরমদা হলহনখ্রে।

শ্রী গোবিন্দাসনা হায়- হৌজিক কামজোং জিলাদা আইন কাইনা চংলকপা মী লিশিং ১,১৬৭ কেম্পতা লৈহৌরি। তেংনৌপল জিলাদা মী লিশিং ৩,৫৬০ আইন কাইনা চংলকপনি হায়না মশক খঙদোক্লবা তুংদা মখোয়গী বাইওমেত্রিক লৌরে, ১৪ থিন্দোকখ্রে। হৌজিক লিশিং ৩,৫৪৬ কেম্পতা লৈহৌরি।

চান্দেল জিলাদা আইন কাইনা মী লিশিং ১৪,৩১৭ চংলকপদা লিশিং ৯,৬০০ হলহনখ্রে। হৌজিক কেম্পতা লিশিং ৪,৭৭০ লৈহৌরি। মী লিশিং ১,৩০৮ গী বাইওমেত্রিক লৌরে। শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-আইন কাইনা চংলক্লিবশিং অসি বাইওমেত্রিক নিংথিনা লৌরবা মতুংদা মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনখিনবা থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খৎনবা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনরশিংদা খঙহনখ্রে।

কংগ্রেসকী কে.রঞ্জিৎনা হংলকপা অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাসনা হায়- ময়ুম মকৈ মৈনদি চাকখিদবা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী মাংখিবা পোৎলমশিংগী কম্পেনসেসন পীবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক, আই.দি.পিশিং অসিগী ময়ুম ময়ুমদা হলহনদুনা অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহল্লবা তুংদা কম্পেনসেসন পীবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিনগনি।

কোল এটেন্সন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- ইম্ফাল রিং রোড শেম্বগী লম লৌশিনবদা লুপা কোতি ১০৫ রোমগী ক্ষেতিপুরন পীখ্রে। পাগদবা লুপা কোতি ৬০ রোম ৱাৎলি। হৌজিক লৌশিনগদবা মফম অমত্তা ঙাইরে। প্রোজেক্ট অসি অথুবদা অমুক চংশিল্লগনি।

সভাদা কংগ্রেসকী কে. মেঘচন্দ্রনা ইম্ফাল রিং রোডকী ফন্দিংগী মতাংদা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক লৈকাই অমসুং লৈকাইগী ক্লবশিংগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকবা কন্না হোৎনরি। রিং রোড প্রোজেক্ট অসিগী শেল অমত্তা মাংখিবা লৈতে। হৌখিবা ওগষ্ট ১০ দা এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককা মীফম পাঙথোক্তুনা য়ান্নবা পুরকখ্রে, প্রোজেক্ট অসি মখা চত্থরগনি।

কংগ্রেসকী শুরজাকুমার ওক্রমনা রাজ্য অসিদা নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি এন.ই.পি ২০২০ চৎনহনবগী মতাংদা পুখৎলকপা অতোপ্পা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- ২০২৩ দগী থোরকখিবা ইরাংদগী হৌখিবা চহি অহুমলোমসিদা বন্দ ব্লোকেদনা মরম ওইদুনা লাইরিক লাইশু তম্বদা চহি অমগী মথক্তা মতম মাংখিবদু কুপখৎনবা মণিপুর সরকারগী ইজ্‌কেসন বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংনা কন্না হোৎনরি। দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ফেলো অমসুং স্কোলারশিংগী স্কোলারসিপ পীবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- চাউরাকা লুপা কোতি ৪০ রোম চংগদবনা শেল অসি কদাইদগী লৌগদগে হায়বদু থিরি। মহাকা হায়- প্রাইমারি ওজাশিং লৌবদা তঙাইফদনা দিপ্লোমা ইন প্রি-ইজ্‌কেসন পায়বা তঙাইফদে। অদুবু দিপ্লোমা অসি ভারতকী মফম অয়াম্বদা ইরৈ লৈত্রিবনা থবক তৌরবা মতুং চহি মঙাগী মনংদা দিপ্লোমা অসি লোইশিনহন্নবা রিক্রুটমেন্ট পোলিসি শেল্লে। বিএদ তৌদ্রিবা থবক তৌরগা লৈবা ওজাশিংগী মতাংদসু ইগনৌগা পুল্লগা মখোয়গী বিএদ লোইশিনহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়খি।

এসেমব্লী (এল)ঃ মণিপুর ভিধান সভাগী নিপানশুবা মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে। ঙসি ফমখিবা সভাগী মীফমনা সরকারগী বিল ১০ পাস তৌখি। দিমান্দ ৩১ গী পুন্না শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৩৮,৪৮৯ লাখ ২২ লিশিং ১,৭৯৯ পাস তৌখি।

মণিপুর বিধান সভানা ঙসি পাস তৌখিবা বিলশিং অদুদা- দ মণিপুর টাউন এন্দ কন্ত্রি প্লান্নিং (সিক্স এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬, দ মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেট লেন্দ (থার্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৬ অমসুং দ মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (টেন্থ এমেন্দমেন্দ) বিল ২০২৬ য়াওনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিলশিং য়াওরি।

মীফম অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা মরিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। সভাদা পুখৎলকপা ষ্টার ক্বেসন ২৩ গী মনুংদা ১ ৱিথদ্রো তৌখি। অনষ্টার ক্বেসন ২৪ পুখৎলকপগী মনুংদা ১ ৱিথদ্রো তৌখি। সোর্ট দ্যুরেসন দিস্কসন অনি অমসুং কোল্লিং এটেন্সন ৬ খন্নখি অমদি গভর্নমেন্ট রিজোলুসন অনি য়াওনা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমা এদোপ তৌখি।

এসেমব্লি (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা তঙাইফদনা মশাগী ইমুং মনুং য়াওনা মরৈবাক মরমদম কন্নবগীদমক থোরকখিবশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সরকারগী চপ চাবা ফিরেপ লৈ।

সভাগী সোর্ট লিষ্ট দিস্কসনদা কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎ অমসুং থোকচোম লোকেশ্বরনা ইরাং মনুংদা মরৈবাক মজাতিবু কঞ্জনবগীদমক থোরকখিবা নহাশিং ঙাইহাক লৈতনা ফাবা পুনবগী থৌওংশিং চত্থরকপগা মরী লৈননা অসিগুম্বা থৌওংশিং তৌহন্দনবা আর্তিকল ১৬১ গী মখাদা মখোয়গী মরাল কোকপীনবা থাংগৎলকপা ৱাফমগী পাউখুম পীরদুনা

শ্রী গোবিনদাসনা হায়- মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসি য়ামা লাইবক থিবা থৌদোকি। ইরাং অসিগী মনুংদা থোক্লকখিবা নহাশিং অদু ইনশিন্দুনা খুৎলায় পায়হনখিবা নত্তে। মখোয় অদু ঙাকপীফম থোকই। ঙসি ঙসিমকসু সরকার অসিনা মখোয়গীদমক লেপখিবা খোঙফম অদু লেংদনা লৈরি।

এরেষ্ট (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা গমপুম ভিলেজদা কুকি লিবরেসন আর্মিগী কেম্প অমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে।

মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, কোব্রা, মহিলা পার্সোনেল অমদি রেপিদ এক্সন ফোসনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা কে.এল.এগী কাদর ৮ ফারে। লোয়ননা মফম অদুদগী ওতোমেতিক খুৎলায় ৭ সু লৌখৎলে। ফারবা মীওই অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক থন্লি। কেম্প অদু সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা শো লোনশিন্দুনা থমখ্রে।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুরদগী তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্দুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংবু স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) তৌবদা য়াওহনবগীদমক মৈতৈ সোসাইতি চুরাচান্দপুরনা এসিষ্টেন্ট ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিং, বুথ লেবেল ওফিসারশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস চুরাচান্দপুরগী ষ্টাফশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। ওফিস অদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী পুকিং ৱাখল অমদি ইহুল খঙনা থবক তৌরকপগীদমক্তসু মৈতৈ সোসাইতি চুরাচান্দপুরনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ মণিপুরগী ওমখৈ জিলা ওইরিবা জিরিবামদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকখিবা ওফিসিয়েলশিংবু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিসনার অরবিন্দ হংলেমনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। দিপ্যুতি কন্মিসনারগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দিপ্যুতি কন্মিসনারনা হায়- জিরিবাম জিলাগী ওইনা ইলেক্তর লিশিং ৩২,১৭১ লৈবগী মনুংদা নুপা লিশিং ১৪,৩৩৭, নুপী লিশিং ১৩,৯০৮ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওনা এস.আই.আর মপুং ফানা পাঙথোক্লবা মতুংদা ইলেক্তর মশিং লিশিং ২৮,৩৩৭ লৈরে। কনাগুম্বশিংনা মসিদা ৱাকৎনিংবা লৈরবদি জিরিবাম জিলাগী ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারগী ওফিসতা লাক্তুনা তান্নরবা য়াগনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী মীওইশিং নুংশি চান্নবা লৈহন্নবগী ৱাখল্লোনদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিং লেপ্তুনা উন্নরি। অসাম রাইফলসনা ঙসি চন্দ্রখোংগী মৈরা পায়বী, ইরেংবম হাইস্কুলগী ওজা অমদি মহৈরোইশিং, ৱারোইচীং য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকী সেক্রেতরি, ৱাংখৈগী ৱার্দ মেম্বর, থাংজিং চিরুগী পাষ্টর, ভিলেজ চীফশিং অমদি তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিং ঙসি উন্নখি। রাজ্য অসিদা অসাম রাইফলসনা শান্তি অমদি তংদু লৈতানা লৈননবা লেপ্তুনা হোৎনরি অমসুং মীয়ামগী লন-থুম ঙাকবা অকনবা থবক লৌখৎলি।

এগ্রি ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ৩০০ লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবদা নিংথিনা ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না ফোংদোকখ্রে।

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্রশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা শ্রী শিবরাজ সিংহ চৌহান্না সভাপতি ওইদুনা নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱাফম অসি মন্ত্রিনা লাউথোকখিবনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী লৌমী শিন্মীশিংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা সরকারনা তাল্লিবা পান্দম অদু য়ৌহনবা ঙমগনি। কৃষি বিগ্যান কেন্দ্রশিংবু অওনবা অমা পুরকবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা কেন্দ্রশিং অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবতা নত্তনা লৌমীশিংদা মখোয়না পোখোক হেন্না পুথোকহন্নবগীদমক নিংথিনা তেংবাং পীবা ঙম্লগনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

পোসান ঃ  ৯ শুবা রাষ্ট্রিয়া পোসান মাহ ২০২৬ লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না বরানাসিদা হৌদোক্লগনি। মিসন সকসম অঙ্গনৱাদি অমসুং পোসান টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা শেমদোক্লবা সপ্লিমেন্টরি ন্যুত্রিসন প্রোগ্রামগী চৎন কাংলোন মতুংইন্না কুমশিগী কেম্পেন অসি হেন্না য়াংশিল্লগনি।

ত্রিপুরা ঃ  ত্রিপুরাগী য়েলহৌমীশিং চাওখৎহন্নবা নাকল অহুমগী ওইনা য়ান্নখিবা ৱারোল খোঙজেল য়াংনা থবক্তা ওন্থোকবগীদমক কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমনা ত্রিপুরাদা মরী লৈনবা পুম মক্কা ৱারী শান্নখ্রে।

য়ান্ন-ৱারোল অদু থবক্তা ওন্থোকপগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগা ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি মনিক সাহা অমসুং ত্রিপ্রা মোথা পার্তিগী মকোক প্রদ্যোত দেব বরমাগা উন্নরবা তুংদা ফিভম অদু ওইরকপনি। রাজ্য অদুদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা ত্রিপ্রা মোথা পার্তিনা ইং কুমজা ২০২৪ দা কেন্দ্র অমসুং ত্রিপুরা সরকারগা য়ান্নচে অদু সহি তৌনখিবনি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশ পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী অঙাং ৩৪ য়াওনা মী ৩৮ কনবা ঙমখ্রে অমসুং মী লল্লোনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি ফারে। ওফিসিয়েলশিংনা হায়- অঙাংশিং অদু অরুনাচল প্রদেশকী আলো, মেচুকা, পাসিঘাৎ, দহ্‌রলাগুন, ইতানাগর অমসুং লৌংদিং এরিয়া অমদি অসামদগী কনখিবনি। মমাং থাদা নমসাই পুলিস ষ্টেসনদা ত্রাফিক্কিং কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

মিজোরম ঃ মিজোরমদা ইমুং লাখ ৩ লিশিং ২০ হেন্না মিজোরম য়ুনিভর্সিয়েল হেলথ কেয়ার স্কিমগী অনিসুবা তাঙ্কক্তা মীং চনখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা হায়- ২০২৫ দগী চথুরকপা স্কিম অসিগী অহানবা তাঙ্কক অনিদা অনা লায়েংদা চংবা শেনফম ওইনা সরকারনা লুপা কোতি ২৭১ হেন্না য়েন্থোকখ্রে। নৌনা মীং চল্লবা ইমুং লাখ ৩ লিশিং ২০ হেনবা অসিগী মনুংদা লিশিং ৪৮ শুপা ৯১ না মীচমনি। লিশিং ৩৫,৩২৫ না সরকারগী কর্ম্মচারিনি অদুগা লিশিং ১১,৯২৮ না পেন্সন্নরনি।

------